লাঙ্গোল ওল্ড এজ...

লামায় ১গী মখা... অসি ঙসি ফাওবদা লৈঙাক্কী মতেং অমা ফাওবা ফংদনা মীয়াম্না পাংবিরকখিবা মতেংশিংনা অহলশিং অসিগী থৌগল তৌদুনা লাকখিবনি। করিগুম্বা মীয়াম্না মতেং পাংবিরক্কবদি হোম অসিদা লৈরিবা অহলশিং অসি য়াম্না ৱানা লৈরমগনি। লৈঙাক্না হোম অসিদা লৈরিবা অহলশিংগী খনবিদুনা মতেং পাংবিরবদি অহলশিং অসি খরা খজিক চাবা-থকপা অমদি শেৎপা-চাবা মনিং থুংনা লৈবা ঙমগনি। লোয়নননা হোম অসিদা লৈবা পাল্লিবা অহল কয়াবুসু থম্বা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ভিক্টোরিয়া ওক্রমগী...

লামায় ১গী মখা... খরনা ফত্তবা থৌওং চত্থনবা হোৎনবগা লোয়ননা নুপী অসিবুসু অমুক মরাল শীবা য়ানবা তৌখিবশিং অদুনা দিসেম্বর ১০গী থৌদোক অদু নুপী অসিগী মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনবগী ময়েক শেংলবা কেস অমনি হায়বসি উৎলে। মরাল লৈজদবা নুপী/মমা খূদিংমক্কী মায়োক্তা অসিগুম্বা পাংদবগী থৌওং চত্থরকপদা নুপীশিংগী য়ুনিয়ন অসিনা তুমীন্না য়েংদুনা লৈরোই।

মরম অদুনা ভিক্টিম মশানা থৌদোক অদুগী মতাংদা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎখ্রবা মতুংসিদা মরাল লৈবা মীওইশিং ইন্দিয়ন পেনাল কোদ অমসুং সেদ্যুল্ড কাষ্ট এন্দ সেদ্যুল্ড ট্রাইব (প্রিভেন্সন ওফ এট্রোসিটিজ) এক্টকী মখাদা ফাননবা লৌখৎফম থোকপা লোগী ওইবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা নাগা নুপীশিংগী য়ুনিয়ন অসিনা ষ্টেট মেছিনরি অমসুং লো ইনফোর্সিং ওথোরিটিদা আপিল তৌরি অমদি হায়জরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	89.802855
US Dollar	73.533922
British Pound	99.225257
Australian Dollar	55.834284
Chinese Yuan Renminbi	11.238875
Japanese Yen	0.709893
Malaysian Ringgit	18.152676
Singapore Dollar	55.331317
South Korean Won	0.067054
Saudi Arabian Riyal	19.609046
Thai Baht	2.437287
Myanmar Kyat	0.05498
Bangladesh Taka	0.86674

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	50065.00
Mumbai	–	Rs	50125.00
Delhi	–	Rs	50077.00
Kolkata	–	Rs	50485.00

GAS NEWS

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-22/12/2020
Valid from-21/11/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.

M/S R AND H INDANE SERVICE IRILBUNG
Only Home Dellivery
Booking upto : 20/10/2020/Valid From : 20/09/20
Stock : 306 Nos.
Home Dellivery &Booking Contact Nos.8414824977/ 8413936705/ 8132036940
Timing 8.30 to 12 noon

IMPHAL LPG SERVICE
HOME DELIVERY
BOOKING : 24/12/20
Summit house no. LPG ID no Address with land mark also digital transaction and online payment encouraged
5.kg 19.kg available
Enquiry numbers - 6009392991, 8014389420, 9612718751
Enquiry time 8.30 to 1.pm
Please do not contact driver and handy man except office no i.e. office no

TANGLEI GAS OINAM
V/f- 06-12-20
B/upto - 08-12-20
Stock : 306
7am to 10am

HARAN VALLEY, KWAKTA.
Booking up to : 28/12/2020
Valid from: 20/12/2020
Please contact mobile no. 7085412191
Time: 7:30am to 11:00am

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO : 05/12/20
VALID FRROM 25/11/20
19kg & 5kg UJJWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
KWAKEITHEL 9774616525 , 6909634960 & 8794191632
NAOREM LEIKAI 7005210401 & 7005352782
TIMING : 08.00 to 11.00am

M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING UPTO Sl.No.01to 80 12/11/20
Valid from : 11/11/20
Time: 11am to 2pm
Any enquiry and booking Contact no. 7629045883

HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 30/11/2020
BOOKING UPTO: 04/12/2020
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING: 8:00 AM to 12:00 PM

JRONGMEI SK INDANE WANGOI
Bking upto 5/11/20
Valid from 17/10/20.
Stk : 306
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (6909963855/ 8119073029/8974426830)

MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO : 10/11/2020
VALID FROM : 07/11/2020
STOCK= 612
(HOME DELIVERY SERVICE),CONTACT NOS. 1.DILIP - 9612883295 (MOIRANG A/C). 2. AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3.AMARJIT - 9862710469 (KUMBI A/C).
BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON.

য়ু জি গ্রুপ অনীগী কাদরশিংনি হায়দুনা চার্জ তৌবা নুপী অহুম জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্টকী শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনননা অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্টকী সেক্সন ১৭/২০গী মখাদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ১৪৪ (১২) ২০২০গা মরী লৈননা অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসন অমগী কাদরশিংনি হায়দুনা চার্জ তৌবা নুপী ৩ কোর্টনা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে।

ঙসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টনা মথং থাগী ১১ ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রবা য়ু জিনি হায়বা নুপীশিং অদুদি সম্বানদুরাম নিংঙোল কোন্থৌজম ওংবী বেমবেম এলিয়জ বোবি (৩৭) মপুরোয়বা কে প্রেমজিৎ এলিয়জ নিমাই, ৱাইথৌ থিয়াম কোঞ্জিন মনীং লৈকায়দগী হৌজিক্না খা নাওরেম লৈকায়দা লৈরবা, ৱাইথৌ কিয়াম সিফাইদগী সম্বানদুরাম ওকেন্দ্রোগী লোয়নবী ৱাংজিম নিংঙোল মিমি (৩৫) অমসুং কুম্বী থানা লৈকায়দগী খুমন্থেম খম্বগী লোয়নবী বিনা (৪১) নি হায়রি।

মখোয় অহুম্বু কেস অসিগা মরী লৈননা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসননা কোর্ট অসিদা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবদা কোর্টতা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মতুংইন্না মখোয় অহুম অসি থা অসিগী ২০ অমসুং ২১দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কম্মান্দোগী টিম অমনা ফারগা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসন্দা হায়রিবা নুমিৎ অনীসিদা খূৎশিন্নরকখিবনি হায়রি।

মখোয়বু খূৎশিন্নরবদগী পুলিস ষ্টেসন অসিনা মখোয়গী মথক্তা কেস অসি রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপগা লোয়ননা মখোয়বু মরী লৈনবা কোর্টতা পুথোক্লগা ঙসি ফাওবগী ওইনা নুমিৎ ৮নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌদুনা থল্লকখিবনি হায়রি।

অদুবু, ঙসি মখোয়গী পুলিস কষ্টদি রিমান্দগী মতম লোইরদুনা কোর্ট অসিদা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবদা কোর্টনা অয়াবা পীবদগী জেলদা থাজিনখিবনি হায়রি।

পুলিসনা কোর্টতা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না থা অসিগী ২০গী নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তারকপদা কম্মান্দো ইম্ফাল ৱেষ্টকী সব ইন্সপেক্টর অমনা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী ও সীদা তৌরকখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না নুমিৎ অদুগী নুমিৎয়ুংবা অদুৱাইদা নেসনল রিভোল্যুস্নরি ফ্রন্ট ওফ মণিপুর (এন আর এফ এম)গী নুপী কেদরশিংনা কাঞ্চিপুরগী অকোয়বদা লৈবা এরিয়াশিংদা প্রিজুদিসল এক্টিভিটিজশিং চত্থগদৌরে হায়বা পাউ ফংবদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দোগী ওফিসর ইন চার্জনা লুচিংদুনা কমপ্লেনেন্ট মশামকসু য়াওখিবা অদুগা ৱিমেন পুলিস কন্সটেবলশিংগা লোয়নবা টিম অমনা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী এদিসনেল এস পি (ওপরেসন্স) গী সুপরভিজন মখাদা কাঞ্চিপুর এরিয়াদা নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ রোম তারকপদা হান্না কোয়শিল্লগা থি-হুম্বগী থবক চত্থবদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ম্যেন গেটকা মায়োক্নবদা লৈবা হৈজিগাং ইমা কৈথেল মনাক্তা রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওদবা হোন্দা এক্টিভা (মেরুন কলর) অমগী মথক্তা মশক খঙদবা নুপী অমা চিংননীংঙাই ওইবা মওংদা ফমদুনা লৈরম্বা থেংনখি হায়রি।

পন্থদনা মহাকপু নুপী পুলিস পর্সনেলশিংগী মতেংগা লোয়ননা মফম অদুদা ভেরিফিকেসন চত্থবদা মঙোন্দগী এয়রটেল অমসুং জিওগী সিম কার্দ অনী য়াওবা ভিভো মোবাইল হেন্দসেট অমা, ভোটর আই দি কার্দ অমা, পান কার্দ অমা অমসুং কোন্থৌজম বেমবেমগী মীংদা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া সিক্যুরিটি সর্ভিস (এন ঈ আই এস এস) না পীবা আইদেন্টিটি কার্দ অমগা লোয়ননা সিজ তৌখি হায়রি।

মফম অদুদা মহাকপু ভেরিফিকেসন চত্থবদা মহাক ৱাইথৌ থিয়াম কোঞ্জিন মনিং লৈকায়দগী হৌজিক্না খা নাওরেম লৈকায়গী অশানবা য়ূম অমদা লৈরবা কোন্থৌজম প্রেমজিৎ এলিয়জ নিমাইগী লোয়নবী সম্বানদুরাম নিংঙোল বেমবেম এলিয়জ বোবি (৩৭)নি হায়বা খঙবা ঙমখি।

মঙোন্দা অহানবগী ওইনা ৱাহং পাউহং চত্থবদা মহাক এন আর এফ এমগী সেপ্টেম্বর ২০২০দা জোইন তৌবা এক্টিভ মেম্বরনি হায়বা খঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা মহাক্না লালহৌলূপ অসিগী ফাইনান্স সেক্রেটরি নোংপোকঙানবা এলিয়জ দবলোগী মখাদা থবক তৌই হায়বসু খঙবা ঙমখি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকপদা ৱাইথৌ কিয়াম সিফাইদগী সম্বান্দুরাম মেমী কৌবী অমগা লোয়ননা মীয়াম অমসুং প্রাইভেট ক্লিনিকশিংদগী মখোয়গী পার্টিগী ফন্দগীদমক দিমান্দ লেটরশিং পী হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা চৎলিবা কুমজা অসিগী ওক্টোবর থাদা লালহৌ লূপ অসিগী মশক খঙদবা কাদর অমদগী নোংমৈ অমসুং নোংমৈ মরূশিং ফংখি হায়রি।

হায়রিবা পোৎলমশিং অদু মখোয়না অমুক এন আর এফ এমগী মশক খঙদবা কাদর অমদা অমুক খূৎশিন্নখি হায়রি।

বেমবেম এলিয়জ বোবিনা মখা তানা ফোঙদোকই হায়রিবনা, মেমি হায়রিবী নুপী অসি কাঞ্চিপুরদা লৈবা এদভান্স ফাইনান্স সর্ভিসতা মেনেজর ওইনা থবক তৌবনিসু হায়খি।

ৱাফমশিং অসিদগী মেমীবুসু পন্থদনা এদভান্স ফাইনান্স সর্ভিস অসিদা কম্মান্দো টিম অদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী কন্ট্রোল রুমদা পাউ পীরবা মতুংদা চঙশিন্দুনা নুংথিলগী পুং ২.৫০ রোম তারকপদা ফাগৎখি হায়রি।

মঙোন্দগী সিম কার্দ অনী (জিওগী অমা অমসুং এয়রটেলগী অমা) গা কোন্ননা মোবাইল হেন্দসেট অমসু রিকোভর তৌখি হায়রি।

ফারবা মেমিদা ৱাহং পাউহং চত্থবদা কুম্বী থানা লৈকায়দগী খুমন্থেম খম্বগী লোয়নবী বীনাগসু মখোয়গা পাউ তোয়না ফাওনদুনা মহাকসু লালহৌলূপ অসিগী ফাইনান্স সেক্রেটরি অসিগী মখাদা থবক তৌবনি হায়দোরকপদগী মহাকপুসু কম্মান্দো টিম অসিনা মথংগী নুমিৎ দিসেম্বর ২১গী নুংথিল পুং ২.৪৫ রোম তারকপদা এয়রটেলগী সিম কার্দ য়াওরম্বা মোবাইল হেন্দসেট অমগা কোন্ননা ফাগৎখিবনি হায়রি।

বিহারদগী ফারকখিবা য়ু জি ২গী মনুংদা ১ অমুক্কসু কোর্টতগী ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): মমাঙ থাগী ২৯দা বিহারগী জোগবানি পুলিস ষ্টেসনগী মফম অদুগী চানক্যা চোক্তগী ফাগৎখিবা মণিপুরগী লালহৌলূপ অমগী মরু ওইবা মীওইশিংনি হায়বশিং অদু মণিপুর পুলিসকী টিম অমনা মথংগী নুমিৎতা অমুক হন্না ফারবা মতুংদা মফম অদুগী এদিসনেল চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট অমদগী ট্রাঞ্জিৎ রিমান্দ লৌদুনা ইম্ফালদা পুরক্লবা মতুংদা মখোয়বু চেন্নবা পুলিস ষ্টেসন খরগী কেসশিংগা মরী লৈননা মথং মথং ফোর্মেল এরেষ্ট তৌদুনা লাক্লবা মতুং ঙসিসু অমুক য়ু জিনি হায়বা মীওই অনীদুগী মনুংদগী অমা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসন অমসুং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী কোর্টকী অয়াবা লৌরগা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখ্রে।

ঙসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতগী ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখ্রবা য়ু জিনি হায়বা মীওই অদুগী মমিং নাওরেম দিলিপ এলিয়জ মেক্স, এলিয়জ ৱাংঙম্বা (৩১) কৌই। শিংজমৈ মখা নাওরেম লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা এন দোলেন্দ্রোগী মচানুপানি।

মহাকপু ঙসি লম্ফেল পুলিস ষ্টেসননা কুমজা ২০১৬কী এপ্রিল থাদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অমগা পুলিস ষ্টেসন অসিমক্না কুমজা ২০১৮গী জুন থাদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অমগা মরী লৈননা কোর্ট অসিদা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবদা ফোর্মেল এরেষ্ট তৌজগে হায়দুনা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মায়কৈদগী কোর্টতা হায়জরকখিবনি। পুলিস ষ্টেসন অসিগী মহাক চেন্নবা কেস অদুনা কুমজা ২০১৬কী জুনদা রেজিষ্টর তৌবনি হায়রি।

অমরোমদা, মহাকপু পুলিস ষ্টেসন অসিমক্না কুমজা ২০১৬কী এপ্রিল থাদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অমদসু চেন্নে হায়দুনা মসিদসু ফোর্মেল এরেষ্ট তৌননবা কোর্টতা হায়জরকখিবদা কোর্ট অসিনা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী কেস অনীগা মরী লৈননা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌরবা মীওই অসিবু ফোর্মেল এরেষ্ট তৌবদা অয়াবা পীখিবনি।

লমদমসিগী য়েলহৌঙাশিং...

লামায় ১গী মখা... বেনিফিসরি ৯০০ গী মনুংদা ৭০৫ মশা মশাগী একাউন্টতা লুপা ১৫,০০০/১৫,০০০ ট্রান্সফর তৌদুনা কান্নবা পীখ্রে হায়না লাউথোকখ্রে। লেমহৌরিবা বেনিফিসরি ১৯৫ দি একাউন্টকী মতাংদা প্রোব্লেম লৈবদগী হৌজিক ট্রান্সফর প্রোসেসতা পেন্দিং লৈরি। পেন্দিং লৈরিবশিং অসি লোয়শিন্নবা মরী লৈনবা ওফিসারশিংদা খঙহনখ্রে। স্কিম অসিগী মখাদা খুদোংচাবা ফংনিংবশিংনা বেঙ্ক একাউন্ট অমদি অতোপ্পা ইনফোর্মেসনশিং মরীক চুম্না থাজিল্লক্নবা অপলি তৌখিবগা লোয়ননা ওফিসিএলশিংগা লোয়ননা মরী লৈনবা সাইটশিংদা চাং নাইনা ভিজিট তৌগনি হায়খি। ঙসিগী ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা দিরেক্টর ওফ ফিসরি এল গোজেন্দ্রোসু শরুক য়াখি।

কেস ১২৩৪ এক্টিভ ওইরি...

লামায় ১গী মখা... ফগৎলক্লবা কেস মশীংনা ২৬,৪৭৮ শুরে। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৩,২৩২ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ৩২৪৬নি। অদুগা এক্টিভ ওইরিবা কেস ১২৩৪ গী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১১০৯ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ১২৫ য়াওরি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৯৪.৩৬ য়ৌরে।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদবগী রিপোর্ট লৈখিদে। মীওই ৭৪না নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে।

হৌখিবা দিসেম্বর ১৭তা দেল্লিদগী ইম্ফাল তম্না পাইরকখিবা ইন্দিগো ফ্লাইট ৬ ঈ-২৫১গী সিট নম্বর ২৮, ২৯, ৩০ অমসুং ৩১গী রোদা তোংদুনা ইম্ফালদা লাকখিবা মীওইশিংনা কোভিদ-১৯ কন্ট্রোল রুম নম্বর ১৮০০৩৪৫৩৮১৮তা নৎত্রগা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট সর্ভিলেন্স ওফিসর (দি এস ও)দা কোল তৌরক্তুনা খুদক্তা পাউ ফাওরক্নবা খঙহল্লক্লি।

মশাগী চহী ২১ অমসুং ৩২ খক্তা ঙাইরিবা...

লামায় ১গী মখা... লোয়ননা খুন্নাই অসিবু দ্রগ এব্যুজদগী কলহৌনবগীদমক লোগী থাংশাং শীজিন্নদুনা মখোয় অনীদা খ্বাইদগী শাংনা পীবা য়াবা ফাদোক পীবীনবা হায়জখি।

নাকল অমরোমদা, কনভিক্ট থাংমিনলুন জৌগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল তোলপিশক্লা কোর্টতা অইবা চেরোল অমা পীশিল্লদুনা কনভিক্ট অসিবু খ্বাইদগী য়ামদবা চহী ১০গী ফাদোক পীবীনবা হায়জখি। মহাক্কী মায়কৈদগী কনভিক্ট অসি হৌজিক ময়ুম-মকৈ পান্দ্রি হায়বগা লোয়ননা অন-ইমপ্লোয় অমসু ওইরি হায়খি। মহাক্কী অপোকপা মমা-মপাশিংগী চহী য়ামশিল্লকপগা লোয়ননা মখোয়গী ইমুংদা শেল থোকপা মীওই অসি মহাক খক্তনি হায়খি। পুম্নমক অসি য়েংবীরগা কোর্টনা মহাকপু লোনা য়াবা মওংদা খ্বাইদগী য়ামদবা ফাদোক পীবীনবা হায়জখি।

কনভিক্ট তুং খান মুং জৌ এলিয়স মুং জৌ এলিয়স অরিককী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল বি বিমোলজিৎকী মায়কৈদগীসু কনভিক্ট অসিগী মায়কৈদগী অরানবা থবক তৌগনি হায়বগী ৱাখল্লোন লৈতে হায়বগা লোয়ননা মহাক কেস অসিগা মরী লৈননা চহী ২গা থা ২ রোমসু জেলদা লৈরকপগী মথক্তা মশাগী চহী শুপ্পতগী ১৯ খক্তা ঙাইরিবনা মহাকপু মরাল লৈবা খরনা শীজিন্নদুনা লান্না লমজিংবীখিবনি হায়খি। কোর্টনা পার্টি পুম্নমক্কী মায়কৈদা লেপখিবা এদিসনল পব্লিক প্রোজিক্যুটর অমসুং কাউন্সেলশিংগী ৱাফম তারবা মতুংদা সী আর পি সীগী সেক্সন-৩৬০গী মখাদা কনভিক্টশিংবু মখোয়গী অফবা কন্দক্টকী মতুংইন্না প্রোবেসনদা থাদোকপগী প্রোভিজন লৈ। অদুম ওইনমক হৌজিক কেস অসিগা মরী লৈননা কনভিক্সন পীরিবা মীওই অনী অসিদি এন দি এন্দ পি এস এক্ট, ১৯৮৫কী সেক্সন-২১(সী) অমসুং ২২(সী)গী মখাদা ওইবনা চহী ১০দগী তাথনা কনভিক্সন পীনিংঙাই লৈতে হায়খি।

অদুম ওইনমক তুং খান মুং জৌ এলিয়স মুং জৌ এলিয়স অরিক অসি কেস অসিগা মরী লৈননা কুমজা ২০১৮দা ফাবা মতমদা মশাগী চহী ১৯ খক্তমক শুরি হায়বগা লোয়ননা থাংমিনলুন জৌনা চহী ৩০ খক্তমক শুখিবনি। হৌজিক্তি মখোয় মথংশিংনা চহী ২১ অমসুং ৩২ শুরে হায়খি। লোয়ননা ঙসি পাঙথোকখিবা সেন্টেন্স হিয়রিংগী ওর্দর ওফ সেন্টেন্সকী মতুংইন্না কনভিক্ট তুং খান মুং জৌ এলিয়স মুং জৌ এলিয়স অরিক অমসুং থাংমিনলুন জৌবু মখোয়বু কনভিক্সন পীরিবা এন দি এন্দ পি এস এক্ট, ১৯৮৫কী সেক্সনশিং অসিগী মতুংইন্না চহী ১৫-১৫গী ফাদোক পীবগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা লাখ ১/১গী শেনফমসু ফাইন ওইনা পীগদবনি হায়খি। করিগুম্বা ফাইনগী শেনফম অসি ঙসিদগীনা চহী ১গী মনুংদা মখোয় অনীগী মায়কৈদগী পীবা ঙমদ্রবদি মখোয়গী ফাদোক্কী মতম থা ৬/৬ শাংদোক্কনি হায়খি। লোয়ননা কেস অসিগা মরী লৈননা মখোয় অনীনা জেলদা লৈখিবা মতমশিং অদু সী আর পি সীগী সেক্সন-৪২৮গী মখাদা ককথগনি হায়নসু কোর্টনা ফোঙদোকখি।

লোয়ননা মণিপুর সেন্ট্রেল জেলগী এস পিদা পীখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না মখোয় অনীদা মেদিটেসনল থেরাপিগী খুত্থাংদা এপ্রোপ্রিয়েট ওইবা করেক্সনল কোর্সশিং পীবা অমসুং এদ্যুকেসনগী য়াওনা ভোকেসনেল ট্রেনিং অমসুং স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামনচিংবগী খুদোংচাবশিং পীদুনা মখোয় অনীগী শিনফম ওইহন্নবগী থবকশিং লৌখৎনবসু দিরেক্সন পীখি।

পনবা য়াবদি, ঙসিদগীনা চহী ২ রোমগী মমাঙ কুমজা ২০১৮গী জুন থাদা মতম অদুগী নার্কোটিক এফের্স এন্দ বোর্দর (এন এ বি) পুলিস ষ্টেসনগী এদিসনল এস পি ওইরমখিবী থৌনাওজম বৃন্দানা লুচিংবা পুলিসকী কম্বাইন্দ টিম অমনা চান্দেল এ দি সীগী হান্নগী চ্যেরমেন লুখোসৈ জৌ এলিয়স সেসৈ জৌগী লম্ফেলদা লৈবা ভি আই পি ক্বার্টর নম্বর ৱানদা রেইদ চত্থরবা মতুংদা ফাগৎলকখিবা ইল্লিগেল দ্রগ অমদি অতৈ পোৎলমশিংগা মরী লৈননা কেস এফ আই আর নম্বর-৪৩ (৬)২০১৮ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। কেস অসি এন দি এন্দ পি এস এক্ট, ১৯৮৫কী সেক্সন- ২২(বি), ২২(সী), ২১(সী), ২৫, ২৯, ৬০(৩)গী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি।

বৃটিশনা ওৎ-নৈখিবা মতৌ অদু অমুক ...

লামায় ১গী মখা... চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা থোকহনখিবা অসি লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফগৎপগীনি হায়গদৌরিব্রা। কোংগ্রেসকী মতমদা শাবা লোইদুনা মথৌ পাঙথোকপা হৌখ্রবা কয়া নৌনা অমুক শঙ্গাবগী থবক লৈঙাক অসিনা চত্থরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়খি, কোংগ্রেসনা করি তৌরম্বগে হায়না বি জে পিগী লৈঙাক পায়রিবশিংনা হেক হেক হংই। কোংগ্রেসকী মতমদা শারম্বা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী বিল্ডিংদা ফল্লগা কোংগ্রেসনা করি তৌরম্বগে হায়না হংলিবা অসি অঙকপা পোকই। কোংগ্রেস পার্টি অসি লৈবাক অসিবু নীংতম্বা ফংননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা পার্টিনি। কোংগ্রেসনা তৌখিবশিং বি জে পিগী লিদরশিংনা খঙনা খঙনা খঙশিন্নদবনি। খঙদ্রগনা খঙননবা হোৎনবীয়ু। কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবশিংদি প্রোপেগন্দা তৌদে। কোংগ্রেসতি লৈবাক অসিগী য়াইফননবা মতম চুপ্পদা থবক তৌই। মীয়াম্না মনিং তম্না অনিংবা অপাম্বা ফোঙদোকপা ঙমহন্দবা, নীংতম্বগী ৱাহন্থোক মাঙশিল্লক্লবা ফীভম অসিদগী নান্থোক্লনবা হোৎনবগী মতম য়ৌরে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা কোংগ্রেস এম এল এশিং, এক্স-এম এল এশিং, এম পি সী সীগী থৌ পুবশিং অমদি কোংগ্রেস ৱর্কর কয়াসু শরুক য়াখি।

নুংশিনবদগী মমা ওইরগদবী লৈশাবী অমা হাৎলগা...

লামায় ১গী মখা... করিগুম্বা মতমদা মত�ৈমাগী য়ুমদা লৈখিবা য়াওই। মসিদগী মহাক্না ময়াম্বা উননবগীদমক হেক হেক চৎপদা রাজেশ্বরীগা থেংনবদগী নুংশিনরকখিবনি হায়রি। মখোয় অনী চহী ২ রোম নুংশিনরকপগা লোয়ননা য়ুম্বান পুন্সিদা খোঙদামিন্নরগনি হায়বগী থাজনবগী মতুংইন্না য়ুম্বানবগী মরীসু য়াম্না তোয়না লৈনরকখি হায়রি। অদুবু নুংশিনরকখিবা মখোয় অনীগী মনুংদগী নুপা অসিনা অন্দ্রোদা লাকখিদবা থা ৩/৪ রোমগী মতুংদা নোংমা রাজেশ্বরীবু উনবা চৎখিবদা লৈখিদ্রবীনা মহাক মশা লুপ্লে হায়রকখিবগা লোয়ননা নুপা অসিনা ময়ুমদা হল্লক্লবা মতুংদা থৌবাল লৈশাংথেম কৈথেলদা লৈবা ফার্মাসি অমদগী নাওপুরক্লিবা অঙাং অদু এবোর্সন তৌনবা হিদাক লৈননবা হোৎনখি। অদুবু অঙাং অদুগী থা মশীং য়ামশিল্লকপদগী হিদাক-লাংথক্লা এবোর্সন তৌবা য়াররোই হায়রকপদগী মীওই অসিনা মতম অমদা য়ু জি গ্রুপ অমগী মেম্বর ওইরম্বা মচিন-মনাও থোকপা ইবোমচা এলিয়স প্রেমজিৎ এলিয়স কালিদাসকা পাউ ফাওনদুনা লৌতুনরবা মতুংদা রাজেশ্বরীবু ময়ুমদগী চেল্লসি হায়দুনা কৌথোক্লগা হাৎখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসি ঙসিদগীনা চহী ১০ হেনবগী মমাঙ জুন ১৮দা থোকখিবনি। নুমীৎ অসিদা নুপা অসিনা রাজেশ্বরীবু টেলিফোন্দা ফাওনদুনা থৌবাল কৈথেল ফাওবা লাকউ, মফম অদুদা উনসি হায়বদগী রাজেশ্বরীসু দিজল ওটোরিক্সো অমদা তোংলদুনা থৌবাল কৈথেলগী য়াইরিপোক লমখায় ফাওবা লাক্তুনা নুমীৎতুগী অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা মখোয় অনী উনখিবনি। লৈখিদ্রবী রাজেশ্বরীনা মফম অদুদা লাকখিবদু চাওরেননা চেল্লসি হায়রকপদগীনি। য়াইরিপোক লমখায়দা মখোয় অনী উনরবা মতুংদা মফম অদুদা লৈরম্বা হোটেল অমদা চা থকমিন্নখি। অদুগা থৌবাল পার্কিং ফাওবা লাক্লগা থৌবাল লৈশাংথেম ফাওবা চেনবা রেজিষ্ট্রেসন নম্বর খঙহৌদ্রবা পেসেঞ্জর জিপ অমদা পুন্না তোংলগা লাকমিন্নখি হায়রি। জিপ অসিনা খেকমন মথক কৈথেল থোংখোং য়ৌরকপদা মখোয় অনী জিপ অদুদগী কুমথরগা থোং অহাইবী লান্দুনা লাকখি। থোংদু লান্থোক্লবা মতুংদা থোং অহাইবী অদুদগী অৱাং নোংচুপলোমদা মিটর ৬০০ রোম খোঙনা লাক্লবা মতুংদা খেকমন ৱাংমতাবদা লৈবা য়ুম অমদা চঙখি। লোয়ননা য়ুম অদুদা লৈরম্বা নুপী অমদা মখোয় চেল্লক্লবনি হায়বগা লোয়ননা ঈশিং খরা পীথক্লবা হায়জখি। ইমুং অদুগী মীওই অদুনসু মখোয় অনীনা হায়বা অদু থাজদুনা মখোয়বু য়ুম অদুদা লৈননবা হায়খি। অদুম ওইনমক নুমীদাং পুং ৭ রোম তারকপদা মখোয় অনী মখোঙনা য়ুম অদুদগী থোরক্লগা নিংথিখোং রোদ অমসুং মোইবুং খোংফান এরিয়াগী মফম লান্থোরক্তুনা চোংথাম কোনা মৈতৈ লৈকায় তম্না লাকখি। য়াম্না শাংনা মখোঙনা লাক্লবা মতুংদা চোংথাম কোনা মৈতৈ লৈকায়গী ইম্ফাল তুরেল মপালদা য়ৌরকখি। মখোয় অনীনা মফম অদু য়ৌশিনখিবা মতমদা চাওরেনগী মরী-মতা থোকই হায়রিবা ময়াম্বা ইবোমচা এলিয়স প্রেমজিৎ এলিয়স কালিদাস মফম অদুদা ঙাইদুনা লৈরমখি হায়রি।

তাঞ্জা অদুদা চাওরেননা লিৎলকপা ব্লু-ব্লেক মচুগী টি-সার্ট অদু মশাদগী লৌথোক্তুনা লৈখিদ্রবীগী মঙক্তা য়েৎশিন্দুনা মখৌরি লাকহৎখি। মসিদা লৈখিদ্রবীনা ৱাখল মাঙদুনা লৈরিঙৈগী চৈরক্তা ইবোমচা এলিয়স কালিদাস এলিয়স জুগেশ্বরনা লৈখিদ্রবীবু নুপী ওইবীগী ঈকায় খুম্নবা মাঙহনখি হায়রি। মসিগী মতুংদা চাওরেননা লুপা ৬৫ পীদুনা লৈরকখিবা হূ ওইনা শীজিন্নবা য়াবা (মোনোক্রোট্রোফোস ৩৬%) অদুগী শরুক খরা রাজেশ্বরীগী মচিন্দা হৈজিল্লবা মতুংদা ইম্ফাল তুরেলদা থাদখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈখিদ্রবীগী পোকমিন্নবা মৌপ্পা অসৈবম থম্বৌসনা (২৩)না জুন ২৬, ২০১০দা রিপোর্ট তৌরবদগী থৌবাল পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। পুলিসনা লৌখৎখিবা কেস অদুগী এফ আই আর নম্বর- ৮৩(৬)২০১০নি। কেস অসি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন- ৩৬৮/৩০২/১২০-বি/২০১/৩৭৬কী মখাদা লৌখৎপনি। লোয়ননা কেস অসি রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা নুমীৎতুমক্তদা লৈখিদ্রবী রাজেশ্বরীগী হকচাং চোংথাম কোনা মৈতৈ লৈকায়গী ইম্ফাল তুরেলদগী রিকোভর তৌখিবগা লোয়ননা থৌদোকসিদা হকথেংননা চেন্নরিবা ইরোম চাওরেনবুসু নুমীৎসিমক্তদা ফাগৎখি হায়রি।

পুলিসকী মায়কৈদগী কেস অসিগী চার্জশীট থাগৎলক্লবা মতুংদা কোর্টনা চার্জ ফ্রেম তৌদুনা চত্থরকখিবা ৱায়েলদা তোঙান-তোঙানবা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস ২০গী ষ্টেটমেন্ট লৌখি। কেস অসিগা মরী লৈনবা এগজিবিট ২৫ অমসুং মেটেরিএল ওবজেক্ট (এম ও) ৬সু এগজামিন তৌখি। অদুগা কেস অসিগী ৱায়েল সেসন্স জজ, থৌবাল এ নৌতুনেশ্বরীগী কোর্টতা চৎলিবা থা অসিগী ৮, ১৭ অমসুং ১৮দা পাঙথোক্লগা রিজর্ভ তৌদুনা থল্লকখিবা মসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা ঙসি ওপন কোর্টতা লাউথোকখিবনি।

কোর্টকী ওর্দর অসিগী মতুংইন্না লোইতোংবম ইবোমচা এলিয়স প্রেমজিৎ এলিয়স কালিদাসনা লৈখিদ্রবীবু ৱাখল মাঙলিঙৈদা নুপী ওইবীগী ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবীখি হায়বদুগা মরী লৈননা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসরনা মীওই অসিবু মেদিকেল এগজামিনেসনগীদমক ফোরেন্সিক মেদিসিন দিপার্টমেন্টতা পুথোকপা, মহাক্না শেৎ-চারম্বা ফিরোলশিং সিজ তৌবনচিংবা তঙাইফদবা চার্জ অসিগী ইভিদেন্স ওইগদবা মচাকশিংগী থবকশিং পাঙথোকখিদবা অমসুং সিজ তৌখিদবনা মরম ওইদুনা মতিক চাবা ইভিদেন্স পীবা ঙমদবদগী মহাকপু কেস অসিদগী এক্যুইট তৌরে হায়খি। অদুবু ইরোম চাওরেনবুদি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন-৩৭৬ (নমদুনা নুপীগী ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবা, ৩০২ (মর্দর) অমসুং তাইবং ফাওরক্লগদবা পোক্লিবা অঙাং হাৎপা (সেক্সন-৩১৬)কী মখাদা মরাল লৈরে হায়দুনা ফাদোক পীরে হায়খি।

ওর্দর অসিগী মতুংইন্না ইবোমচা এলিয়স প্রেমজিৎ এলিয়স কালিদাসনা সবমিট তৌখিবা মহাক্কী বেল বোন্দ অমদি সিউরিটি বোন্দশিংসু কেন্সেল তৌরে হায়খি। পনবা য়াবদি, কোর্ট অসিনা কেস অসিগী ৱায়েল সেসন্স ট্রাইয়েল কেস নম্বর- ৪ ওফ ২০১৬ চত্থরকপদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী এস ও পিশিং ঙাক্লা চত্থখি হায়রি। কোর্টনা কেস অসিগী ৱায়েল চত্থরকপদা প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদা এদিসনল পব্লিক প্রোজিক্যুটর ধনকুমার পিনা লেপ্পগা এক্যুইজশিংনি হায়দুনা চার্জ তৌরকখিবা চাওরেন অমসুং ইবোমচা এলিয়স প্রেমজিৎ এলিয়স কালিদাসকী মায়কৈদনা এদভোকেট ৱাই দেবদত্ত অমসুং এদভোকেট কে ঐচ ধ্যানচান্দনা লেপখি। কেস অসিগী সেন্টেন্স হিয়রিংনা থা অসিগী ৩০দা পাঙথোক্কনি হায়রি।

মণিপুর মীয়ামগী চাউখৎ-থৌরাং...

লামায় ১গী মখা... অসিগী মীয়াম্বু কোভিদ-১৯না মাঙ-তাকহল্লগা মখোয়গী লোয়লম হেন্না মরা চেৎশিনহন্নবনি হায়দনিংঙাই অতৈ মরম লৈতে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কোভিদকী চৈথেং অসিনা লায়রবা মণিপুরগুম্বা লমদম অসিগী মীয়ামগী মফমদদি হায়নিংঙাই লৈতনা অৱাবা পীরি। মণিপুরগী শেন্মীৎলোনগী য়াংলেন শরূনি হায়নরিবা ইমা কৈথেল হাঙখিদবা চহী ফাজিল্লক্কদৌরে। মীওই কয়া শুফম-নোম্ফম লৈতদুনা ককঙাওননা লৈরি। কোর্ট নীংথিনা ফমদ্রি। অঙাংশিং নীংথিনা মহৈ তম্বা ফংদ্রি, চাংয়েং মপুং ফানা তৌবা ঙমদ্রি। লন্নাই স্কুলশিং ক্লোজ তৌখিবদগী স্কুল বস অমসুং স্কুল ভেন দ্রাইভরশিং তৌফম খঙদনা লৈরি। স্কুল ওজাশিং খুৎশুমল ফংনরক্তবদগী স্কুল ওথোরিটিগা ওজাশিংগগী মরীদা অকায়বা ওইরক্লি। থবক শুফম অয়াম্বা থিংখিবনা শুফম-নোম্ফম লৈরক্তবদগী ইমুং-মনুংদা উংখৎনবা থোকপদা নত্তনা দোমেষ্টিভ ভাইওলেন্সকী চাং হেনগৎলকপগী ৱাথোক লৈরে। ইন্দিয়ানা মণিপুরগা চান্নদবা মওংদা কুইনা লোকদাউন তৌশিল্লবদি মীয়ামগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম পুম্নমক মখোয়দা তাল্লক্কনি কিবদগী অমদি ইকনমি খক্কী মীৎয়েংদগী মতাং চাদনা লোকদাউন মথং মথং হাংদোরকপদগী কোভিদনা নাবগী চাং অমদি শিবগী চাং খঙহেন হেনগৎলকখি। হৌজিক ফাওবা কোভিদকী তোঙানবা হোস্পিটাল অমা লিংবা ঙমদবদগী কোভিদনা নাদবা অতোপ্পা লায়নানা নাবা অনাবা কয়া লায়েংফম লৈতদুনা শিরি। হোস্পিটাল পুনশিনবদগী কোভিদ নাবশিংদগী লৌনরক্তুনা কোভিদ নত্তবা অনাবা কয়া লাইচৎ অসিনা নাহল্লি। হোম আইসোলেসন অমসুং কোভিদ ক্যের সেন্টরগী কাঙলোন থুগায়বদগী লাইচৎ অসি শন্দোরকপগী হেন্না চাউরবা মরম ওইহল্লে। কোভিদকী অনাবা মশীং য়াম্না শিবগী মরম মতম চানা কোভিদনা নারে হায়বা খঙদোকপা ঙমদবা অমদি কোভিদকী অনাবশিং হোস্পিটালদা থেংনা পুখৎলকপদগীনি হায়বা মীওই পুম্নমক্না খঙনরবসু হৌজিক ফাওবা কোভিদনা নারবা মীওই পুম্নমক্কী ফমুং লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিংদা পীবা ঙমদ্রি। লাইচৎ অসি লায়েংনবা চপ চাবা হিদাক লৈত্রবসু তঙাইফদনা মখায়দা শুংশোয় শোয়দনা ফংহনফম থোকপা এন্টিবাইওটিক, মল্টি ভিটামিন মপুং ফানা ফংহন্দে। পীরিবা চীঙ্গাক অফবা মপুং ফাবা হায়বসু ওইদে। হৌজিক এয়রপোর্টশিংদা কোভিদ টেষ্ট তৌদ্রে। অদুনা পোজিটিভ ওইবা মীওই কয়া লমদমসিদা লেপ্তুনা চঙশিল্লকপনা লাইচৎ অসি হেন্না শন্দোরকপগী খুদোংথিবা নংহল্লে। অসিগুম্বা ফীভমসিদা পব্লিক মীটিং শীন্দুনা কোভিদকী এস ও পি থুগায়বা হায়বসি মীপুম খূদিং লাইচৎ অসিনা নাহন্দুনা মণিপুর মীয়াম তুম্না হাৎনবা থৌরাংনি। মখোয়দি খুদোংচাববু ফংগনি হায়রবদি মশানা শেমজবা লো নৎত্রগা চৎনকাঙলোন মশানা থুগায়বা কাঙবুনি হায়নসু চেরোলদুনা চার্জ তৌরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, মতম খরগী মমাঙদা লৈরিবা ষ্টেট লৈঙাক অসি কন্ননবা হোৎনবদা লমদমসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা নেসনল অমসুং রিজনল পার্টিশিংগী এম এল এ কয়া মখোয় মখোয়গী হায় কম্মান্দশিংনা মণিপুরগী মপান্দা ঙাইহাক লৈতনা কৌদুনা চৎপদগী লমদমসিগী মীওই কয়া কোভিদনা নাবগী চাং ৱাংহনখি। মসিদা নত্তনা লৈঙাক অসি কায়দনবা অমসুং ফম পাম্বা খরনা মতম চাদনা ফম থাদোকপদগী এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি মরিগী ইলেক্সনদা কোভিদ-১৯গী ঙাকফম থোকপা এস ও পি ঙাক্তনা থা কয়া ইলেক্সন কেম্প্যেন তৌদুনা অমদি মপান পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবা কয়া লাক্তুনা ইলেক্সন রেল্লি অমসুং মীটিং কয়া পাঙথোকখ্রে। ময়ুমদগী মপান থোকচদবা মীওই কয়া শেল য়েল্লগা নমদুনা কৌথোক্লগা ভোট থাদহনখ্রে। মদুনা মরম ওইদুনা করিসু খঙজদবা মীচম কয়া কোভিদনা নাবা মীওই ওইহনখি। তুংদা কোভিদনা নাবা মীওই মশক খঙদোক্লবনি হায়দুনা বাই-ইলেক্সন পাঙথোকখিবা মফমশিংদা টেষ্ট তৌনবা থৌরাং তৌখি। অদুবু লৈঙাক্কী অশোয়বা কয়া লৈবদগী মীয়াম্না টেষ্ট তৌবা ইথোক থোক্লরকখিদে। মীয়াম অৱাবা নংগনি হায়বগী নাচুংবা লৈতনা ভোট কারগা লোইরে হায়বগী ৱাখলনা মীয়াম্বু শেল পীরগা ময়ুমদগী কৌথোক্লগা ভোট থাদহনখিবা মীরেপ পুম্নমক, মীয়ামগী চিরবা তাঞ্জা অসিদা মশক উবা ফংখিদে, মীয়াম্বু কোভিদকী টেষ্ট তৌনবা হোৎনখিদে। মসিনি মীয়ামগী লুচিংবা শাবশিংগী লীচৎ।

চেরোল অসিনা হায়, মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাকশিংনা করিসু তৌরমদ্রবসু বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মণিপুর মীয়ামগীদমক চাউখৎ-থৌরাংগী থবক য়াম্না তৌরে হায়না অমিট শাহনা হায়রম্বা অদু মণিপুর মীয়ামগী মফমদা থোইদোকপা অনৌবা ৱাফম অমা ওইনা থোক্তে। মণিপুরবু ইন্দিয়ানা নমদুনা লৌশিনখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়াদা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি কয়াগী তোঙান তোঙানবা লৈঙাক কয়া লিংখ্রে। অদুবু মণিপুরগী চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদদি হৌজিক ইন্দিয়াদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিগা মমাঙদা লৈখিবা লৈঙাকশিং অদুগা করিসু খেন্নবা লৈতে। ইন্দিয়ানা নমদুনা লৌশিনখিবা চহী ৭১ হেল্লবা মণিপুর মীয়াম্না মরোমদোম লেপচনবগী রাইটতি লাইরদনা হিংবগী রাইট য়াওনা মালেমগী মীয়াম্না ফংনরিবা মীওইবা অমগী ফংফম থোকপা মখল কয়াগী রাইট অমত্তা মপুং ফানা ফংদ্রি।

মণিপুরবু ইন্দিয়ানা লৌশিন্দ্রিঙৈ মমাঙদা মীরৈবাকচাশিংদগী ঙাকথোকচনবা চপ চাবা লো লৈজরম্মী। অদুবু লো অদু ইন্দিয়ানা লৌথোকখিবদগী ইরৈবাক অসি মীরৈবাকচাশিংগী ঈচাউ থোক্লি। মীয়াম্না আই এল পি থম্নবা খোল্লাও কয়া, ঈহৌ কয়া তৌদুনা লাকখি। ইন্দিয়ানা তাশিন্নদনা লাকখি। অদুবু সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ) চৎনহনবা য়াননবগীদমক আই এল পি থমখি। সী এ এ চৎনরবনিনা হৌজিক্তি আই এল পি চৎনহল্লুবগী ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রে। লোয় মপু (ওক্যুপাইয়িং পাৱর)না মাগী অহেনবা মীয়াম (পোপ্যুলেসন) মানা লোয় চল্লিবা লম (ওক্যুপাইদ টেরিটোরি)দা থাজিনবা য়াদে হায়বসি ইন্টরনেসনল হ্যুমেনিটরিয়ন লো (আই ঐচ এল)না হায়রি। মতৌশিং অসি ইন্দিয়াগী অখুবা, ফুরুপ-কাঙলুপ নাইবা লীচৎ অদু মালেমগী মীয়ামদা শাবাক ফাকপনি। আর পি এফনা মীয়ামদা হায়জনিংবদি মালেম শিনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি অমগা অমগা মতেং পাংনদুনা থেংনমিন্নরিঙৈ চৈরক অসিদা করাম চাউবা হৌজিক্কী মতম অসিদা চৎনদ্রবা লম এক্সপান্সনদা খুৎচাউ থারিবা ইন্দিয়াদি মখোয়গী লোয় ওইরিবা মণিপুরদা লোয়গী পোরম পোন্মীৎ কাংবা লেপত্রি হায়নসু লোনা অথিংবা থমখ্রবা রেভল্যুস্নরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ)কী দেপ্যুটি সেক্রেটরি পব্লিসিটি রোবেন খুমননা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।